# ‘তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল ফংখিরোই’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**



কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগায়নবগী, মচেৎ তানা কায়হন্নবগী পান্দমদা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লান চহী অনী ফাখিবগী মথক্তা থাবুম অনী অমসু অমুক হাপচিল্লক্লে। কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লান অসিনা মীতৈ মীয়াম কয়া তমথীনা হাৎপীখ্রবনি। লৈজবা লন-থুম পূম্নমক মখোয়না মুনবীখ্রবনি। মথ্বায় হিংননবা চেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা শাইদাংফম লৌদুনা লৈনরিবসি মতম কুইরক্লে। অদুবু অসুক শাংলবা মতমসিদা বি জে পিনা লুচিংলিবা নেশনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্সকী য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অসিনদি মণিপুরগী ঈরাং অসি য়াম্না লূম্না লৌদুনা লোইশিল্লগে হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা থবক পায়খৎপদি ইউ উদ্রি। ইন্দিয়াগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হীরম অসিদা করিসু লূম্না লৌদ্রি। মহাক্না মণিপুরগী ঈরাং অসিগী মতাংদা মতম মতমগী থোকঅ-থোকঅবা ঙাঙদুনা লৈরি। মপান্দগী চঙশিল্লকখিবা কুকি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবনি অমুক হায়, মণিপুর হায় কোর্টকী ওর্দর অমনা মীতৈদা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ষ্টেটস পীনবা তৌরুবগীনি অমুক হায়, কুকি-মীতৈ অনীগী মরক্তা থোকপা হাৎন-শুনবা ওইনসু অমুক হায়, ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবা ঙাঙদুনা লৈরি। মণিপুরগী ঈরাংসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা লূম্না লৌদে। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবশিং অসি মখোয় মশেল পংহাৎতা হাৎনবা ওইনা মখোয়না খল্লি। মসি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর অনীনা পার্লিয়ামেন্টতা থমখিবা ৱাফমশিং অদুনা অদুম ফোঙদোকচরবনি।

মণিপুরদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা অসিনা লমদমসিগী শেল থুমগী ফীভম অসুক্কী মতিক শোকহল্লে। কারবার মচা মচা তৌদুনা হিংজরম্বশিং পূম্নমক ফেল ওইশিল্লক্তুনা খূৎ থারে। দুকানশিং অয়াম্বনা থোঙ লোন্নরে। পূন্না মতেং পাংনদুনা হিংমিন্নরম্বা অদু কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা অকনবা অথিংবা থম্বা মখোয়না খুন্দাবা মফমশিংদা লানশিল্লকপা য়ারোই হায়বদগী অসিগুম্বা অৱাবা অসি মায়োক্নরকপনি। মীতৈশিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা থল্লিবা অথিংবা অসিগী চৈথেংদি খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ কাঙলূপকী মীওই খুদিংদসু ফংলিবনি। পূম্নমক্না ৱানরিঙৈগী মরকসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা শেঞ্জাও তাশিনবা মীওই খরসু অদুমক উরি। মসিদি হৌনশানি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা মীপূম খুদিংনা মথ্বায় হিংননবা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লঞ্জেন্নরুবা ইম্ফাল ময়োল খুন্তাক লানশিরবা মতমদা মীওই খরদি মী লৈনদ্রবা য়ূমশিং, দুকানশিংদুদা চঙদুনা লৌনীংবা, হুরান্নিংবা পোৎ চৈ, মাল-চাং হুরান্দুনা মরল-মথুম পৈশিলহৌবা কয়ামা য়াওনখিবগী ৱারী লৈরি। চুম্না মীচম মীয়ামগী মাল-চাং লুট তৌবা নত্তনা বৃটিশ লান্মীশিংনা পুরকপা থাও দ্রম্নচিংবা লোৎশিন্দুনা থমহৌরগা কোন্না মদুনা ইনাকখুনবা ওইরকখিবগী অহিংবা খুদমসু লৈরি। মসিনি মীওইবা মরক্তা খরগী মরমচৎ। হন্দক্কী কুকি টেররিষ্টশিংগী লান্দা অসিদা হান্না লৈরম্বা লল্লোন ইতিক্কী মফম কয়া মুৎখ্রবসু অনৌবশিং চোংখৎলকপা শিবা কিদবা মীওই কয়ামা মানা মানা ঙমজবী থাক্তা খদ্রক মদ্রক, হুরান চিন্থি তৌদুনা শেল পায়রকপা মীওই কয়াসু থোরক্লি।

মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীতৈশিংনা তারিবা অৱাবা অসি মতম মতমগী ওইনা মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাকশিংদুনা মতম চানা লম হেল্লিবা মীওইশিং অদুগী খোঙথাং য়েংদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলম্লবদি থোক্লম্লোইদবনি। অদুবু চেকশিনহৌদে, হৌজিক্তা অৱাবা তারবা মতমদতা মীয়াম পূন্না অশোয়বশিংদু থিদোকমিন্নরকই। মণিপুরগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা ‘এনি কুকি ত্রাইব’ করম্না য়াওখিবা কনামত্তনা থৌশারুদে হৌজিক্তা থিগৎনরকই। চীংগী লমদা পাকশন্না উমং কোকথোক্তুনা কুকিশিংনা থৱায় য়াওনা পামজনা পোপী পান্বী থাই। এম এল এ ওইবী অমনফাওবা পোপি পান্বীলক্তা ফোটো কাপ্পগা সোশল মীদিয়াদা থাগৎলকপা উনখি। হৌগৎলকপা মতমদা আইনগী ওইবা এক্সন লৌখৎকদবদু লৌখৎহৌদে। কোন্না মদুগী করবার চাউনা চাউনা তৌরক্লবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না পোপী পান্বী থাবা থিংলুবদগী মখোয় অয়ৌবী থাক্তা শাওখি। মদুনসু লানসিগী মরু ওইবা মরম অমনি। মখোয়না পামজরিবদি মণিপুরদগী মখোয়গী মনীংতম্বা ষ্টেট অমা শেমগৎলগা মনীং তম্না পোপী পান্বী থাদুনা দ্রগকী করবার চাউনা তৌবদুনি। মণিপুরবু অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল অমা ওন্থোকপদুনি। দ্রগকী করবার শেন্দোং চাউনা ফংবা করবারনি। অদুননি কুকিশিংগী ফম্নাইবা কয়ানা পোপি পান্বী থাবদা শৌগৎলিবসি। দ্রগ করবার চাউনা তৌরগা শেঞ্জাও তানশিল্লগা অফবা মখলগী নোংমৈ, খূৎশু-খূৎলায় লৈশিনবা মদুনা মীতৈদা লান্দাবা, মণিপুর থুগায়বা, মসিনি মখোয়গী পান্দম ইশম শম্না হায়রবদা।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী ৱাফম অমনা পুংজা খরগী মনুংদা লোইশিনবা য়াবা মণিপুরগী লাননি। অদুবু লোইশিন্দে। কুম্ন্দো য়েংলি। কুকিশিংদি মখোয়না হায়বা ইল্লি। ইন্দিয়াদগী তোখায়না নীংতম্না লৈজগেসু হায়দে। ইন্দিয়াগী মনুংদা মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা শেমজগে হায়বনি। মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা মণিপুর থুগায়রগা শেম্বদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা করিসু কায়দে। মসিনি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিং অসিগী ৱাখল্লোন। জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু থুগায়রগা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটরি শেমখিবগুম মণিপুর থুগায়বগী প্লানসু লৈরম্বা য়াই। মণিপুরদি নীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা ইন্দিয়াদা পুনখিবনিনা মদুগী ওইবা করম্বা খোঙথাং থাংগনি হায়বসু মখোয়না খল্লমগনি। ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুকিশিংগী য়াকা ইনবদা মীতৈশিং শলাক শারে। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা অতৈ ফূরুপশিংগীসু শেল থুমগী ফীভম শাথীনা শোকচিল্লে। পূম্নমকসি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা লানসি লোইখ্রবসু ফনা কুইনা চঙখিবনি। অসুক থীনা ফীভম শোকচিল্লবা মণিপুরসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লানসি লোইশিন্নবা হোৎনদ্রিবসি করিগীনো। অহোইনদুম মপান্দগী আইন কায়না চঙশিল্লকখিবা কুকি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অদুগা মীতৈগা মান্নবা থাক্তা থম্মীন্নরগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ‘দো সমপ্রদাই’ হায়বা ৱাহে অসি অদুমক শীজিন্নরি। মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংগা মণিপুরদা শাইদাংফম লৌরক্লিবা কুকিশিংগা মান্নবা থাক্তা থম্বা হায়বসি অমিট শাহনা মীতৈশিংবু হন্থবা থাক্তা চীংথবনি অমসুং কুকিশিংবু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎপনি। মহাক্না কুকিশিংনা তৌরিবা টেররিষ্টকী থৌওং অসিবু টেররিজম নত্তে, এন্টি নেশনলসু নত্তেসু হায়রি। অঙকপনি। অমিট শাহনা কুকি টেররিষ্টশিংবু ফোঙনা শৌগৎলি।

লোইশিল্লকপদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লোইশিনগে হায়রবদি লোইশিনবা য়াবা মণিপুরগী লান লোইশিন্দনা থমখিনি। মখোয়গী অরোনবা এজেন্দা লৈরি। নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবশিংগী মথক্তা কুকি মিলিটেন্টশিং, টেররিষ্টশিং খূৎলায় ওইনা শীজিন্নগনি। লাঞ্জেন্নরিবা ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংগী অৱাবা য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না কোকহন্দনা অদুম থমখিনি। মপী মপা লৈজদ্রবা মণিপুরগী মীতৈশিং অমসুং অতৈ ফূরুপশিং তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমদা হিংবা ফংখিরোই হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# রথ যাত্রা ফেষ্টিবেল মেলা, ২০২৫

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



মণিপুরদা অহানবনি। রঙ্গনিকেটন সোসাইটি, মণিপুরনা শিনবা ফেষ্টিবেলনি। ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা জুন ২৭ (কাং নুমিত্তগী) ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লি। জুলাই ৫, কাংলেন নুমিত্তা ফেষ্টিবেল অসিগী লোইশিনবগী পান্দম থল্লি। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী নুংথিল পুং ২ তাবদগী ফেষ্টিবেল অসি শক্লাইরবা থিএটর এক্টিভিষ্ট খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্রনা প্রোগ্রামগী এঙ্কর ওইদুনা চখৈ। ফেষ্টিবেল অসিদা নন-লোকল হায়বদি সিঙ্গাপোরদগী ভক্ত কয়া শরুক য়ারি। মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওই (লাইনীংবা) কয়াসু শরুক য়ারি। ফেষ্টিবেলদা তিল্লরিবা মীওই লিশীং লিশীংবু রঙ্গনিকেটন সোসাইটি মণিপুরনা কাংগী ক্ষেত্রি পীজ-পীথক তৌই। অহল-নহা, নুপী-অঙাং খাক্তনা মান্নবা থাক্তা সোসাইটি অসিনা থৌগল তৌরি। লমদম অসিগী আর্ট ফোর্ম কয়াবু ফেষ্টিবেলগী লৈচল ওইহল্লি।

হৌখিবা তাং ২৭, অহৌবা নুমিৎতা কবুইশিংনা শাবা মখল মথেলগী জগোয় মীয়ামদা উহনখি। সিঙ্গাপোরদগী লাকপা গিতা জয়েন্তিগী ফাউন্দর দিনা অনুকম্পনা দাসনা ভগবত গিতাগী ঈশৈ মীয়ামগা শকমিন্নে। লোইশিল্লকপদা সনা লৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী শুমাং লীলা ‘পন্থৌ মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাং’ উৎতুনা মীয়াম্বু নুংঙাইহল্লি। তাং ২৮-দা জয়দেব চোংবনা হৌদোকই। লিয়ান্দা ফোক এন্দ ক্লাসিকেল একাদেমিগী কলচরেল প্রোগ্রামশিং মীয়ামদা য়েংহল্লি। লোইশিল্লকপদা ভগবত গীতাগী ঈশৈ থম্মী। লোয়ননা চাকথেকপী পার্টিগী শুমাং লীলা “ইতৈমা” উত্তুনা মীয়ামগা ফেষ্টিবেলগা কায়নখি। তাং ২৯দা দেবদত্ত অমদি মাগী কাঙবুগী কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎখি। থাঙ-তাগী হৈশিংবা উৎখি। টি ননাওতোম্বগী পুঙগী কুম্মৈসু উৎখি। ভগবত গিতা ঈশৈ মহৌশাগুম থমখি। লোইশিল্লকপদা পীস মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএশনগী শুমাং লীলা “অনৌবা লম্বী”না মীয়াম্বু বীদাই পীখি। তাং ৩০, শকমিন্নসি পুল্লগা হায়না মিংথোনবা শৈশকপা কয়াগী লাইনীং ঈশৈশিং মীয়ামদা তাহনখি। নুমিত্তুগী নুপা শৈশকপশিং ১) গুরু লাকপতি ২) এম মাইনা ৩) এ কে বসন্ত সিংহ ৪) এম গোবিন ৫) পকাস্না ৬) ও কৈলয়ানি ৭) এল রকেশ অদুগা নুপী শৈশকপীশিং ১) ফুবালা ইন্দিরা ২) পি ঐচ দেবয়ানি ৩) ঈ ববিতা ৪) পিনতু সনদ্রোক ৫) রাসেশ্বরি দেবী ৬) কল্পনা দেবী ৭) কবোক্লৈ দেবী ৮) রোমিলানি। ভগবত গিতা মতুংদা সমধোন আর্টিষ্ট এসোসিএশনগী শুমাং লীলা “নুংশিবগী শম্বল” উৎতুনা মীয়ামগা কায়নখি।

জুলাই ১, খূবাক ঈশৈনা থৌরম হৌদোকখি। মসি ইন্দিরা অমদি মাগী কাঙবুনা পাঙথোকপনি। মসিগী মতুংদা পুঙ চোলোম (পুঙয়াম য়ৈবা) মথং তারকপদা পীনহৈবী, শ্যামচান্দ, বিমোলাতা অমদি দোরেননা শান্নবা বাইলা লীলা উৎখি। মখা তারকপদা জুগাই মধাই লীলা উৎখি। নুংতি নুমিৎকুম ভগবত গিতা লোইরগা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএশনগী “পন্থৌ শঙ্গাহ” মিংথোনবা শুমাং লীলানা নুমিৎ অসিগী অরোইবা থৌরম ওইখি।

জুলাই ২, ফেষ্টিবেল অসিগী ঙসি ৬নি চনবা নুমিৎতা পাঙথোক্লবা থল্লিবা প্রোগ্রামশিংদি অহানবদা মোইরাংসাই, মথংদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) না পাঙথোকপা মখল মথেলগী কুম্মৈশিং থল্লি। মথংদা এম ইনাওতোন, রাসেশ্বরি অমদি ভানুমতিনা পাঙথোকপা হি লানবা মীয়ামদা উৎকদৌরি। মখা তারকপদা মহৌশাগুম ভগবত গিতা লোইরবা মতুংদা ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএশনগী অখন্নবা শুমাং লীলা ‘রমানুজন’ উৎলগা নুমিৎ অসিগী থৌরম লোইশিনগনি। জুলাই ৩দা খূবাক ঈশৈনা হৌদোক্কনি। ক্লাসিকেল সোলো জগোয়শিং মীয়ামদা উহনগদৌরি। জগোয় শাগদবশিংদি ১) টি ঐচ ভানি ২) টি রোনেল ৩) ডা. পি টেজপতি ৪) জয়রিতা লাইশ্রম ৫) বি শন্থিতা ৬) পি রিপানি। জগোয়শিং অসি লান্থোক্লবা মতুংদা ভগবত গিতাগা ইরোয়ননা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএশনগী শুমাং লীলা “লাক্লরোই অমুক য়েনীংথা” হায়বা শুমাং লীলানা মীয়াম্বু কায়নগনি। জুলাই ৪দা নুপী খূবাক ঈশৈ লৈগনি। ক্লাসিকেল জগোয়শিং ১) মালেমঙানবা অঙোম ২) এল লমঙানবী ৩) নাওফংবা লাইশ্রম ৪) দল্লিয়ু লক্সমি ৫) এম দিজেন খুমন ৬) এন মালেমঙানবী ৭) এম ডাইনা ৮) কে পুস্পা চনু। মহৌশানা ভগবত গিতা লোইরগা টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী শুমাং লীলা “ইমা মচা” মীয়ামদা উহন্দুনা থৌরম লোইশিনগনি। অরোইবা নুমিৎ জুলাই ৫, ফেষ্টিবেলগী ৯নি শুবা নুমিৎতা লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা নব ভোলকেনোগী ভজন সনধ্যানা প্রোগ্রাম হৌদোক্কনি। রঙ্গনিকেটন সোসাইটি মণিপুরগী চেয়রমেন অজিৎদাসনা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীগনি। লোয়ননা মীয়ামগা ভগবত গিতাগী ঈশৈ শকমিন্নগনি। অরোইবদা শুমাং লীলাগী অরোইবা খুদোল ওইনা থল্লিবা কামখ্যা আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী শুমাং লীলা “লৈকংলাদা শাৎপী”না মীয়ামগা কায়নগনি।

লমদম অসিদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা রথ-যাত্রা ফেষ্টিবেল মেলা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দি লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা ইনাক খুন্না লৈদুনা ইপা ইপুনা থম্লল্লিবা আর্ট এন্দ কলচরগী লনগৈ অসিবু ময়েং তাহন্দনবা ঙাকখৎপনি। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা খুন্নাইগী মশক অসি হোংদোক হোংজিন নাইগনি। অদুবু লৈজরিবা কলচরগী মশক অসিদি হোংদোকহনবা য়াদে হায়বসি রঙ্গনিকেটননা চেৎনা খঞ্জবা অমনি। লমদম অমগী সিভিলাইজেশন হায়বসি মাগী কলচরেল হেরিটেজ অদুনা উৎলি। লৈবাক নৎত্রগা খুন্নাই অমা কনাগুম্বা ফূরুপনা মুথৎনবা হোৎনরকপদা মাগী কলচর অদুদা হান্না খূৎ থাগনি। মণিপুরদি মল্টি কলর ওইবা প্লুরেল্লিষ্টিক সোসাইটিগী মশক্নি। মরম অসিনা লমদম অসিবু ঈংনা-তপ্না নৎত্রগা পূন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি ফূরুপ খুদিংগী লৈজরিবা কলচরশিং অসি অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা চঙই। লাইনীং হায়বসিদি অপাম্বা ফুরিৎ লিৎপগুম্বনি। লাই নীংববুদি লাই নীংলিবশিংদুবু নুংশিবনা হেন্না থাক ৱাংই। লাই হায়বসি লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়না কৈদৌঙৈদা য়েৎনরোইদবা শরুক অমনি। লাইগী মরমদা ৱা য়াম্না ঙাঙলবদি মনীং তম্বা ৱাখলবু নমথবা মানবা উরকই। মসিনা য়ানীংবা নৎত্রগা য়ানীংদবা হায়বা কাঙলূপ অনী শেম্লকই। কাঙলূপ নাইবা হায়বসিদগী নীংঙাই শংদানবা হৌবা, হিংমিন্নবদা নুংঙাইহন্দবা শাফূ অমা মী মশেলগী মরক্তা শাফোঙলকই।

হন্দক্কী রঙ্গনিকেটনগী থৌরাং অসি য়াম্না অফবা অমনি হায়দবা য়ারোই। ফেষ্টিবেল অসিদা কম্যুনিটি কয়া কোনশিন্দুনা শরুক য়াহল্লি। রথ যাত্রা হায়বা ৱাহৈসিনা অকক্নবা লাইনীং চৎপা কাঙবুখক্কী ওইনা উরম্বদু ফেষ্টিবেল মেলা হায়বা ৱাহৈ হাপচিন্দুনা শুমাং লীলাগী শেংলবা মফম অমা ওইরিবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা নুমিৎ ৯নি চুপ্না পাঙথোক্তুনা মীতৈ অমদি নাগানা মরু ওইরবসু তোঙানবা ফূরুপ কয়ানা পূন্না শরুক য়ামিন্নবা অমদি লমদম অসিগী শিরুম-নারুম হিংলিবা পর্ফোর্মরশিংবু মশা মউ খরা খরতসু খিংদোকহনবা অমদি শিথরক্লিবা শুমাং লীলাবু মরাং কায়না উৎননবগী তাঞ্জা রঙ্গনিকেটননা পীবসি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা তৌবীমল খঙবা ৱাফম কয়াসু থম্নরি। লেমহৌরিবা মতমশিং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা লমদমসি ঈংথ-তপথবা অমদি পূন্না হিংমিন্নবা লমদম ওইরসনু। ●

# ওর্গনাইজেশন অমগী ওফিশলশিং

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

মী মখল য়াম্মী, জগৎ সংসার অসি থৱায় পানবা জীব পূম্নমক্কী মনুংদা মীওইবনা খ্বাইদগী থোইবনি হায়না বেদ শাস্ত্রশিংদা থল্লিবা ৱাফম্নি। ব্রহ্মা কৌবা ঈশ্বরনা তাইবঙ মী ওইনা অমুক্তা পোকচগে হায়দুনা চহী কল্পমা তোপ তৌদুনা নীংজবদা মী ওইনা পোকচবা ফংদে হায়রিবনি। ঙসি চাওখৎলবা ২১শুবা চহী চা অসিদা মীওইবা হায়বা ঐখোয়না তৌনরিবা লমচৎ শাজৎ, চাওখৎ থৌরাং ঐখোয় ঐখোয়না লৈরিবা হিংলিবা পৃথিবী অসিগী ৱাংমা লান্দুনা স্পেসকী সংসার অসিদা থিজিনবা হুমজিনবা কদাইদা করিদা করি তৌরি, ঐখোয় মীওইবনা করি তৌবা য়াই হায়দুনা লেপ্পা নাইদনা থি-হুমদুনা সৌরজগৎ অসিদা মীওইবা ঐখোয়না পৃথিবীগী ৱাংমদা থা কয়া সুন্দ্রংদা পাইদুনা, উঙদুনা লৈরিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। নাকল অমরোমদনা শেল অসি করম্বা মওংদা তানসিগে লৈরিবা মীয়াম অসি করম্না হুমদুনা পুরগা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখল অসি মাগী শেল তানফমগী রো মেটরিএল অমা ওইরক্লবা করি তৌসিগে খন্দুনা কোক থাদবা অসিনা মখোয় মখোয়গী পান্দম অদু ফংনবা লম্বী থিরি।

লৈবাক অমগী, ষ্টেট অমগী লৈঙাক অদুগী লৈঙাক্লিবা লুচিংবশিংদুনা মতম মতমগী শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা লৈঙাক অদু মখোয় মখোয়গী খূবাক ময়ায়দা থম্নবা হোৎনবা হায়বা অসি মতম শাংনা চৎনবী অমা ওইনা লাক্লবনি। শেল ৱাত্তনা পায়বনিনা মখোয় মখোয়গী অথেনপোৎ কয়াদুনা উরম্বা নুমিৎ উখিদ্রে, তারম্বা না তাখিদ্রে, খঙলম্বা কয়া খঙশিন্নখিদ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা শেঞ্জাও পায়বা কয়াগী মখূৎতা ষ্টেটতি থম্বু থমখিসি, পাক চাউরবা লৈবাক অসি মখোয়না তৌনীংবা তৌরি, শান্ননীংবা মওংদা শান্নবা কয়ানা ইন্দিয়ান রেলৱেজ, ইন্দিয়ন এয়রলাইন, ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেশন কয়া অমদি টেলিকম্যুনিকেশন কয়া প্রাইভেটাইজ তৌখিবনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসিদা ৱারিবসি মীয়াম্নি। বি এস এন এলবু মরাই চায়থনবা হোৎনরগা নাকোয়ননা ইন্দিভিজুএলশিংগী লৈরিবা টেলিকম্যুনিকেশনশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা হোৎনবগী মমি য়াম্না চাউনা ঙসিগী ভারতবর্ষ অসিদা ময়েক লানা উবা ফংলিবা অসি মীওই খুজোক খরগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরে তাকপনি।

পোলিটিক্সকী মায়খুম উপশিল্লগা শেমজিন শাজিনবা হায়জিন্নবা, তৌশিন্নবা কয়া তৌদুনা থবক হাপ্পীগে, দিপার্টমেন্ট অদুগী থবক তৌরি হায়দুনা খোয় চোপ চোপ্তুনা মীওই কয়া ভিক্টিম ওইহল্লি। থবক ওইরক্ত্রবা, হাপ্লোইদৌবা-ওইরোইদৌবনি হায়বা খঙজদবা নহাশিংগী মমা-মপা কয়ানা পাঙ্গল থোকপা ঙমদবা কয়া অমা লৈরিবনি। মপূন্সিগী থাদোকপা ঙম্লরোইদৌবা, ওইদবা হায়জিনবা কয়াদুনা ঙসি মণিপুর তম্পাক্কী মীয়াম মরক্তা শিন্থুংনা লৈখ্রবনি হায়বা অসি মীয়াম চেকশিনবগী তঙাইফদে। লৌশিনখিবা, পায়শিনখিবা শেনফম অদু থবক ওইদ্রে খঙলবা মতুং চহী ৫/৬ পীথোকপীদনা থল্লবা মতুংদা হন্দোকপীরো হায়রুবা মতমদনা গুন্দা তৌবা, কিহন-খংহনবা তৌদুনা মীনা মীবু উশিৎ থৌওইদবা কয়াগী থৌওং কয়া লৈকায়, খুঙ্গং কয়াদা থোক্তবা নত্তে। কনা কনাগুম্বা পোলিটিক্স তৌরিবনি হায়দুনা চোংথোরক্লগা জেনরেল সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্ট ওইরে, তোঙান তোঙানবা ত্রেজরর পায়দুনা পার্টি অদুগী থবক তৌরে। লাইবক ফদুনা লৈঙাক পায়রগা মীখলদা মায়থীহৌরবা কয়া অমা পোলিটিকেল পোষ্ট কয়া পায়দুনা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙ কয়াগী চেয়রমেন ওইদুনা মরেক মহাও কয়া চাদুনা লৈরগা মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা অমদগী অমদা য়োংনা উশা ৱাশা অমদগী অমদা চোংবগুম্না চোংবা কয়া ১৯৬৭কী মীখল মতুংদগী ঐখোয়না থেংনদুনা, উদুনা লাক্লে। মীওইবা খুদিংমক শক্তি পাম্মী, নুংঙাইবা-য়াইফবা, অহাওবা চাবা, ফজবা ফিরোল শেৎপা, ফজবা য়ূম, মমল য়াম্বা গাড়ী কয়া তোংদুনা ৱাখল নুংঙাইনা হিংবা পাম্বা অসিদি মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি। পার্টি অমগী প্রসিদেন্ট ওইনা ওইনা মাগী পার্টি অদুবু করিসু খন্দনা থাদোক্লগা চৎপা ঙম্বা পোলিটিক্স তৌবা মী মশীং য়ামখৎলকপা, শক্তিবু পায়গনি, এম এল এ ওইনবা মনি পৱার, মসল পৱার ফুদোকপীনবগী লম্বী উরবদি মানা মতম খরা মরুম থুপ্লম্বা পার্টিদা অমাংবা লংশিল্লগা চৎখিবা ঙম্বা মীওই কয়া অমা, অমরোমদনা শেল করম্না তানবনো, করম্বা মীওইনো ইখন খন্দবীদা পার্টিগী ফন্দ অমদি ওর্গনাইজেশন অদুদা শেল চাউনা পুথোকপা ঙল্লবদি হেক্তা ওকপা, তুপী উপ্পীবা, লেংয়ান য়ানবীবা, ফম থিন্দোকপা মদুনা করি ওইরক্কনি হায়বা শুকখন খন্দবীদা মানা মতৌ করম্না শেল তাল্লগা লাকপনো, মীয়ামগী ঈ থক্লগা তাল্লকপা শেলনা পার্টিগী নৎত্রগা ওর্গনাইজেশনগী থবক থৌরমদা শেল পুথোরক্লে হায়দুনা হেক্তমক গোবিন্দগী লাইশঙ মমাঙদা হৌবা তুলসি মনা শাবদি মণিপুরগী অমদি লৈবাক অসি অফবা ওইফম থোক্তে।

ওর্গনাইজেশন অমা, পোলিটিকেল পার্টি অমা, ত্রেদ য়ুনিয়ন অমা মাগী মাগী আইদোলোজি লৈজবা ঙাক্তনি। তোঙান তোঙানবা নুপাশিংগী নুপীশিংগী অপূনবা শক্তি অমা শাগৎনবা ওর্গনাইজেশন কয়া মথং মথং থোরক্লিবা খুদিংমক লৈবাক মীয়ামগীনি হায়বা অসিনা মাংদা থারিবমখৈ ওর্গনাইজেশন খুদিংমক মাঙদা চৎখৎপা ঙমগনি। ওর্গনাইজেশন অদুগী মরুমদা মায়খুম উপশিল্লগা মশা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা শেন্দাল লম্বী অমা ওইরক্লবদি ওর্গনাইজেশন অদু নোংমা নোংমগী মীয়ামদগী লাপথোরকপা মতমদা অঙকপা অমা নত্তে। মসিদসু নত্তে পোলিটিক্স তৌরিবা মীওই কয়ানা মাগী মাগী পার্টি অদুগী ফিলোজোফি অমদি কন্সটিট্যুশন খঙনা অমদি ঙাক্না চৎপগী মথৌ তঙাইফদে। কনানা কনানো, ক্বাক্লা, ৱাহোংলা, উরোক্লা ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি।

মীয়ামগী মীহুৎ পোলিটিক্স তৌরিবা খুদিংমক ত্রেদ য়ুনিয়নগী লিদরশিংনা মীয়ামগা লৈনগদৌবা মরীদি হয়িংখোইগা লৈহি চেনবা লৈশিংগা লৈনবা মরী অদুনি। ত্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবা খুদিংমকসু লোয়শঙদুনা মীয়ামদা করি পীরি, লোয়শঙ অদুনা মথৌ ফজনা তৌরিব্রা, মীয়ামগা শম্নরিব্রা, লাপথোক্নরিব্রা হায়বা মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই। নত্তদুনা ত্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবা অমদি তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংগা মীয়ামগা লৈনবা মরীদা শুমগা উগা তিন্নবগী মওংদা চত্থরবদি লোয়শঙ অমদি মীয়ামদা মাঙলোমদা চৎখৎপগী ওন্না তৈনবদা মনীং হল্লকপা তাবনি। ত্রেদ য়ুনিয়নগী লিদরশিংনা মাগী মাগী লোয়শঙগী শিন্মীশিংনা শেঞ্জা থুমজা তৌবা মতমদা য়েংদুনা লৈফম থোক্তে।

ঙসি মণিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাঙবা, চৈবা কয়া অসি অফবা নত্তে। চিন কাংজৈ শান্নবদি পাঞ্জন চনবা ঙল্লোই, মালংদা তিন্দুনা মাঙখিনি। ওইজবা ফংলগা ফৈ হায়বা, ওইজবা ফংদ্রগা লমহুইনা অঙ্গুর শিল্লি হায়বা মদু ফত্তে। স্কার কিলোমিটর ২২৩২৭ খক চাউবা মীহুৎ ৬০না লৈঙাকপা লমদম অসিদা কনানা কনানো খঙনরবা মতমনি। থবক ঙম্বা মীদা থবক শিন্নসি। ষণ হাৎলু হায়দুনা থাখ্রগা ষণনা মবুক্তা ৱাইগদৌবা মীবু ষণ হাৎপা থাবীগনু। মীহুৎ ৬০না মতিং মথৌনা লৈবা, কথোকপা ঙম্বা লিদর খনবীয়ু। কৎশিনবা, য়োৎশিনবা মীদা লিদর শিন্নবগী থবক তৌদনবা হোৎনমিন্নসি। শুফম নোম্ফম লৈত্রবনি। হা উরোক নমাংসু লাং নতুংসু তেন হায়দুনা মীতৈ খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেংদা খোঙ্গ্রাই চন্দুনা, হকাম লাউনা কাদুনা চগৌ য়েংবা কয়ানা ঐখোয় মীতৈশিংগী করি তৌবীরি। মচু লৈতবা ফিরেপ নাইদবা, মশা মশাগী ওইজবনা মাঙদা থাবা কয়াদগী চেকশিনবা তঙাইফদবা মতম ওইরে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৭কী ৱাহং

১) “পি শিন্থরগবু অৱাবা কৌরবদি
ইঙা থাদা নোং চুরি
লৈচিলনা অৱাবা খঙবরা!
ঐদি কপ্তে, অদুনা ৱাদে খল্লবরা?”
মথক্তা থমজরিবা অসি লিরিকেল পোইম অমগী অহৌবদা য়াওবনি। লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) “অমম্বা য়ুগ” (১৯৯৯) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা ত্রান্সলেশন তৌবনি। ত্রান্সলেটরগী মমিং অমদি ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “কোয়মাঙ মাঙবা খোঞ্জেল ইহুল” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) “ইনেবেম্মা” হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু। অইবা অসি কনানো?

৫) “থৱায় মঙা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪)
২) মাইবম কাঙজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (৩,৪,৫)
৩) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪,৫)
***৪) অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১৬কী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১১৬কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।